# টাইৱানবু দব্লিয়ু ঐচ ওগী মীফমদা য়াওহন্নবা য়ু এসনা তকশিনখ্রে



জিনিভা, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্তা মরু ওইবা মীৎয়েং থম্লগা মথংগী চয়োলদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না থৌবু ওইদুনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা মীফমদা টাইৱানবুসু য়াওহন্নবা জিনিভাদা লৈবা য়ু এস মিসননা ইরাই নুমিত্তা দব্লিয়ু ঐচ ওদা তকশিনখ্রে।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী থবক থৌরমশিংদা টাইৱানবুসু মশক থোক্লা য়াওহন্দুনা মতেং পাংনবা অমসুং তাথোক তাশিন তৌনবা হেনগৎনবা ঐখোয়না ওর্গনাইজেসন অসিদা তকশিল্লি, মালেমগী বোদি অসিগী মীফমদা য়াওহন্নবা ইনভাইট তৌবা অসি মায়কৈ অসোমদা চঙশিল্লক্লবগী তঙাইফদবা খোঙথাং অমনি হায়না য়ু এস মিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দব্লিয়ু ঐচ ওবু চাইনাগা কা হেন্না নকশিন্নে হায়রদুনা ৱাশিংটননা ওর্গনাইজেসন অসিবু য়ানীংদবা অমদি মসিগী বোস টেদ্রোস অধানোমবু কোরোনাভাইরস পেন্দমিক থেংনবগী মতাংদা চৈ থাংদুনা লাকপগা লোয়ননা বোদি অসিদগী ৱিথদ্রো তৌনবা থৌরাংলিবনি।

যুনাইটেদ ষ্টেটসকী মতেংগা লোয়ননা টাইৱান্না দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিসিজন মেকিং বোদিগী মীফমদা ওবজার্ভর অমা ওইনা শরুক য়াবা য়ানবা চহী অসিদা টাইৱান্না কন্না লোবি তৌখি, মদুনা মরম ওইদুনা দিমোক্রেসি চৎপা ঈথৎ অসিবু মখোয়গী লমনি হায়না ক্লেইম তৌরিবা চাইনাবু খোইরাং খোইশাওনহনখি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎ থুনা লাকশিনবা ঙন্নগীদমক্তা মালেম পুম্বনা থাগৎনখিবা টাইৱান অসি হৌখিবা মেদা ওর্গনাইজেসন অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা ইনভাইট তৌখিদে। ঈথৎ অসিবু মালেমগী বোদি অসিগী মীফমদা ওবজার্ভর অমা ওইনা য়াওহনবগী ৱাফম অসি বোদি অসিনা চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা খন্ননবা লেপখি।

টাইৱান্না মীফমদা শরুক য়াবগী মতাংদা মেম্বরশিংগী মরক্তা য়ানবা লৈতবনা ঈথৎ অসিবু ইনভাইট তৌনবগী ওথোরিটি লৈতে হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মেম্বর ১৯৪গী ভর্চ্যুএল মীটিং অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অমসুং মরী লৈনবা হকশেলগী ইস্যুশিংদা খন্নগনি।

# সেন্ত্রেল অমেরিকাদা হরিকেন এতানা মীওই ৭০ হেন্না শিহনখ্রে

টেগুসিগালপা, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): মতিক ময়াই লৈরবা হরিকেন এতানা সেন্ত্রেল অমেরিকাদা নোংকন্না চুহনখিবগা লোয়ননা পাক শন্না ঈশিং-ঈচাও থোকহনখ্রে। লমদম অসিগী লন্মীশিংসু তুরেল ওইনা ঈচেল কন্না চেন্দুনা মফম কয়া মদম্লাইদশিং থোকপা অমসুং থোং কয়া তেকপদগী শগোলশেল নুমিৎতা মী শিবগী চাং হেনগৎখি।



হরিকেন এতানা মরম ওইদুনা মেক্সিকো অমসুং কলম্বিয়াগী মরক্তা লৈবা অয়াম্বনা লায়রবা লৈবাকশিং ওইবা লমদম অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৭০ হেন্না শিখ্রে। মীওই চা কয়া ঈচাওনা লাঙ্গৈ চনখিবদগী য়ূমথক্তগী হেন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

গ্বাতেমালাগী প্রসিদেন্ট অলেজান্দ্রো গিয়াম্মাতৈনা ফোঙদোকখিবদা শগোলশেল নুমিৎতা লৈবাক অসিদা মীওই ৫০ হেন্না শিখ্রে। অপিকপা টাউন খরগী অকোয়বদা মদম্লাইদশিং থোক্লক্তুনা য়ূম কয়ামরুম ফুমজিনখ্রে। অৱাবা তারবা মফমশিং অদুদা চৎনবগী পান্থৈ লৈতবদগী ঐখোয়না খোঙনা চৎনবা হোৎনরি হায়না ঈশিং থুমজিনখ্রবা লন্মীশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না ফোঙদোকখি।

চহী কয়ামুক্কী মনুংদা সেন্ত্রেল অমেরিকাদা শিৎচিল্লকখিবা খ্বাইদগী শাথীবা নোংলৈ নুংশিৎশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এতা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পুংদা কিলোমিটর ২৪১গী চাংদা নুংশিৎকী খোঙজেলগা লোয়ননা নিকারাগুৱাদা কেটিগরি ৪গী হরিকেন অমা ওইনা হুমজিল্লকখি। মদুগী মতুং কংফাল লোমদা লাক্লগা য়ূমথংনরিবা হোন্দুরাসরোমদা শিৎখিবদা ত্রোপিকেল দিপ্রেসন ওন্দুনা মতিক ময়াই হন্থখি।

টেলিভিজন ফুটেজ অমসুং সোসল মীদিয়াদা থাগৎনবা ইমেজশিংদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা শক্তম কয়া উবা ফংখি। হোন্দুরাসকী সিটি সান পেদ্রো সুলাদা ইমুং কয়াগী মীওইশিংনা ঈশিং থুল্লবা লন্মীশিংদা ৱানা চৎনখি। গ্বাতেমালাগী সান পেদ্রো কার্চাগী ঈশিং থুল্লবা মফমশিংদা গাড়ী কয়া ঈশিংদা লুপ্লগা লৈখি।

হোন্দুরাস গভর্ণমেন্টকী মতুংইন্না, লৈবাক অসিদা মীওই ৮ শিখ্রে। মীওই ৫০০০ হেন্না সেল্টরশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। কম্যুনিতি ৬৩ অমগা অমগা পাউ ফাওনখিদ্রে। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা থোং ২০ তেকখ্রে। ঈশিংগী ঈমাই লেপ্তুনা ৱাংখৎলকখিবগা ইরোয়ননা শগোলশেল নুমিৎতা হোন্দুরাসতা মীওই ৫০০ রোম মখোয়গী য়ূমথকশিংদগী রেস্ক্যু তৌখি।

# য়ানদবা ৱাফম খুদিংমক ৱারী শানরগা লৈখাই তানবা য়াই : নেপালগী পি এম



কাথমন্দু, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা নেপালদা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা থুংখিবা ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ জেনরেল মনোজ মুকুন্দ নারাৱানেনা ন্যু দিল্লি পাংদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ইরাই নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্মা ওলিগা উন্নখ্রে।

মীফম অদুদা ওলি অমসুং জেনরেল নারাৱানেনা লৈবাক অনীগী ওইবা ইস্যু কয়া খন্ন-নৈনখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী ফোরেন রিলেসন্সকী এদভাইজর রাজন ভাতারিনা ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা জেনরেল নারাৱানেদা য়ানদনা লৈরিবা ৱাফম খুদিংমক ৱারী শানরগা লৈখাই তানবা য়াই হায়খি। শগোলশেল নুমিৎতা জেনরেল নারাৱানেদা প্রসিদেন্ট বিদ্যা দেবী ভান্দারিনা জেনরেল ওফ নেপাল আর্মিগী ওনরেরি রেঙ্ক পীখি।

প্রসিদেন্টকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর ওলি, ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর বিনয় এম ক্বাত্রা অমসুং লৈবাক অনীগী অতৈ সিনিয়র ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

নেপালনা লৈবাক অসিগী অনৌবা পোলিটিকেল মেপতা য়েৎনরিবা লমশিং য়াওহনখিবা মতুং হৌখিবা নবেম্বরদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা ঙমখৈগী মতাংদা য়েৎনরকখিবদগী নেপালদা ওফিসল খোঙচৎ চৎপা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা ওফিসল অসি জেনরেল নরাৱানেনা ওইরি।

কাথমন্দুনা ক্লেম তৌরিবা ফুট ১৭,০০০ ৱাংনা লৈরিবা লিপুলেখ এরিয়াদা ইন্দিয়ানা লন্মী শেমজিল্লুবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী য়েৎনবা লাকখিবনি। লন্মী অদু লাইফম কোয়বশিংনা কাইলাসতা চৎপগী মতম তেনশিন্নবগীদমক্তা শাখিবনি।

লিপুলেখ অসি উত্তরখন্দগী কলাপানি ভেলিদা লৈবা ইন্দিয়া, নেপাল অমসুং চাইনা লৈবাক অহুমগী তাইনফমনি। মসিগী মতুংদা নেপালনা য়েৎনরিবা মফম অদুবু মখোয়গী লৈবাকনি হায়না উৎপা অচৌবা পোলিটিকেল মেপ অমা ফোঙখি। ইন্দিয়ানা নেপালগী অনৌবা মেপ অদুবু পুৱারীগী অশেংবা থৌদোকশিং নৎত্রগা ইভিদেন্সতা য়ূম্ফম ওইদে হায়রদুনা রিজেক্ট তৌখি।

# ত্রম্প কেম্প্যেনগী লোসুটশিং রিজেক্ট তৌখ্রে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): মীখলদা অরান অহুই কয়া তৌখি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা ত্রম্পকী কেম্প্যেননা মিসিগান অমসুং জোর্জিয়াদা ফাইল তৌখিবা লোসুটশিং কোর্টশিংনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

মিসিগান্দা ত্রম্পকী কেম্প্যেননা এবসেন্টি বেলোটশিং মশীং থিবা লেপহন্নবা হায়জখি। জোর্জিয়াদা মওং মরীল তাদবা বেলোটশিং ফাওবা মশীং থিরে হায়না মখোয়না মরাল শীখি।

মিসিগান কোর্ট ওফ ক্লেমসকী জজ সিনথিয়া ষ্টেফেন্সনা শগোলশেল নুমিৎতা লোসুট অদু রিজেক্ট তৌরদুনা লোকল ভোট মশীং থিবগী প্রোসেসতা মিসিগানগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট চেন্নদে হায়খি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ইরাই নুমিৎতা হৌনবী মতুংইন্না ওর্দর অমা ইস্যু তৌগনি।

ন্যুজ নেটৱর্ক কয়ানা মিসিগান্দা দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট জো বাইদেননা মায় পাক্লে হায়না লাউথোক্লখ্রে হায়রি।

জোর্জিয়াদা জজ জেমস এফ বাসনা লোসুট অদুবু দিসমিস তৌরদুনা হায়জরিবা ৱাফমদু মহাক্না য়াদে হায়খি। ত্রম্প কেম্প্যেননা পেনসিলভেনিয়া অমসুং নেভাদাদসু লোসুটশিং ফাইল তৌখি। ৱিসকোনসিনগী ভোট অমুক হন্না মশীং থিনবসু মখোয়না দিমান্দ তৌখি।

# রিপব্লিকান ষ্ট্রোংহোল্ড জোর্জিয়াদা বাইদেন্না ত্রম্পতগী হেনগৎখ্রে



ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): মহৌশানা রিপব্লিকান ষ্ট্রোংহোল্ডনি হায়না খঙনদুনা লাক্লবা জোর্জিয়া ষ্টেটতা ইরাই নুমিৎকী অয়ূক অঙনবা ফাওবদা দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল নোমিনি জো বাইদেন্না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পতগী ভোট মশীং হেনগৎখ্রে।

মীখল অসিদা মায় পাক্কদৌরিবা কেন্দিদেট অদুনা ষ্টেট অসিদগী ফংগদৌরিবা ইলেক্টরেল ভোট মশীংসি ১৬নি। ষ্টেট অসিগী ভোট চাদা ৯৯দি মশীং থিবা লোইরে হায়বা য়াই।

ইনৌ নৌনা ভোট মশীং থিবা লোইখিবদা বাইদেননা ত্রম্পতগী ভোট ৯১৭ হেনখি। করিগুম্বা বাইদেন্না জোর্জিয়াদা মায় পাকপা তারবদি মহাক্কী ইলেক্টরেল ভোট মশীং ২৬৯ য়ৌদুনা হ্বাইট হাওস পায়নবগী মেজিক মশীং ২৭০ য়ৌগদবা অমখক্তা ঙাইরগনি।

ত্রম্পনা হৌজিক ফংলিবা ইলেক্টরেল ভোট ২১৪দগী হেনগৎপগা লোয়ননা ২৭০ য়ৌনবগীদমক্তা রিপব্লিকান ষ্ট্রোংহোল্ড জোর্জিয়াদা মায় পাকপা হায়বসি য়াম্না মথৌ তারি। ষ্টেট অসিগী ভোট মশীং থিবদা বাইদেন্না মাঙজিল থারকপা হায়বসি ত্রম্পকী ওইনদি মীখল অসিদা মহাক্কী লম্বাদগী খজিক্তং ওইরবসু হেল্লগা কাবা য়াবগী লম্বীদা অচৌবা খুরৌ অমা ওইরি।

মফম অসি রিপব্লিকানশিং ওইরক্রে হায়বসিগী ইঙ্গিৎ মতম খরগী মমাঙদা ফংবা হৌখি। কুমজা ২০১৮দা দেমোক্রেট ষ্টাসি অব্রামসনা লৈবাক অসিগী অহানবা অফ্রিকান-অমেরিকান নুপী ওইনা জোর্জিয়া ষ্টেটপু লিদ তৌখি। ষ্টেট অসিগী ভোট মশীং অমুক হন্না থিবা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরি। ষ্টেটকী লোদা য়ূম্ফম ওইরগা বাইদেন অমদি ত্রম্পকী মরক্তা লৈরিবা ভোট মশীং খেন্নবগী চাং অসি পর্সেন্টেজ পোইন্ট অমগী তঙ্খাই য়ৌদ্রবদি নৌনা ভোট অমুক থিনবা হায়জবা য়াই হায়রি।

# কোভিদ পেন্দমিক্কী মতাংদা য়ু এন জি এনা অখন্নবা মীফম পাঙথোক্লগনি

য়ুনাইটেদ নেসন্স, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক থেংনবদা মালেম পুম্বনা অমগা অমগা মতেং পাংনবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা দিসেম্বর ৩-৪দা অখন্নবা মীফম পাঙথোক্লবা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেম্বলি (য়ু এন জি এ) না শগোলশেল নুমিৎতা ৱারেপ লৌখ্রে।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা অখন্নবা মীফম অসি পুৱারীগী থৌদোক অমা ওইবগা লোয়ননা মল্টিলেটরেলিজমগী চাংয়েং ওইরগনি।

ঐখোয়গী মতমগী খ্বাইদগী লুবা ইস্যুশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অসিবু ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নরি হায়বসি ঐখোয় পূন্না থবক তৌনবগী মওং তাক্কদৌরিবনি হায়না য়ু এন জি এগী ৭৫শুবা সেসনগী প্রসিদেন্ট ভোলকান বোজকিরনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্তা মরী লৈনবা জেনরেল এসেম্বলিগী ৩১শুবা অখন্নবা মীফমগী মোদেলিটিজ রিজোল্যুসনবু খন্নদুনা য়ান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ফোঙদোকখি।

রিজোল্যুসন অদু য়ু এন জি এগী মেম্বর ষ্টেট ১৯৩গী মনুংদা ১৫০না য়াখি। লৈবাক অমত্তনা মদুগী মায়োক্তা ভোট পীখিদে। তৌইগুম্বসুং য়ু এস, ইজরেল অমসুং অর্মেনিয়াদি ভোট লৌনবা অদুদা য়াওখিদে।

রিজোল্যুসন অদুগী মতুংইন্না, ষ্টেট অমসুং গভর্ণমেন্টকী মকোকশিংগী লেভেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা অখন্নবা মীফম অদুদা হৌদোকপগী শরুক, জেনরেল দিবেট অমসুং লোইশিনবগী শরুক হায়না লৈগনি। অখন্নবা মীফম অদুগী অহানবা নুমিৎতা জেনরেল দিবেট পাঙথোক্কনি অমসুং মেম্বর, ওবজর্ভর ষ্টেটশিং অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্নচিংবশিংনা পীরকপা ষ্টেটমেন্টশিং য়াওগনি।

মালেমগী লুচিংবশিংনা হান্না রেকোর্দ তৌরবা মিনট মঙাগী ষ্টেটমেন্টশিং সবমিট তৌবা য়াগনি। ষ্টেটমেন্টশিং অদু জেনরেল এসেমব্লিগী হোলদা ব্রোদকাষ্ট তৌগনি। গ্রুপ ওফ ষ্টেটশিংগী ৱাঙাঙলোইশিংদনা মিনট তরেৎ ৱা ঙাঙবা য়াহনগনি।

# য়ুরেনিয়ম রেদিএসন লিক্কী মতাংদা ষ্টদি তৌনবা হায়খ্রে

শিলোং, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): মেঘালয়াগী সাউথ ৱেষ্ট খাসি হিলসকী নোংবাহ-জিনরিনদা লৈবা য়ুরেনিয়মগী মথি-মকুমশিং য়াওই হায়বা টেঙ্ক অমদগী রেদিএসন লিক ওইবগী মতাংদা ষ্টদি তৌনবা মেঘালয়া গভর্ণমেন্টনা নোর্থ ইষ্টর্ন হিলস য়ুনিভর্সিটি (নেহু) অমসুং আই আই টি গুৱাহাটিদা তকশিনখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সাংমানা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সাংমানা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা নেহুগী ওইনদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ষ্টদি পাঙথোকপীনবা হায়জখিবদুগী পাউখুম পীরক্লে, তৌইগুম্বসুং আই আই টি গুৱাহাটিনদি হৌজিক ফাওবদা পাউখুম পীরক্ত্রি।

আই আই টি গুৱাহাটিনসু পোজিটিভ পাউখুম পীরকপা য়াই হায়বগী থাজবা সাংমানা ফোঙদোকখি। নেহুদা য়ুরেনিয়ম লিক ওইরিবদুগী মতাংদা চয়োল খরা ষ্টদি তৌরগা রিপোর্ট থাগৎলক্লবা খঙহনখ্রে।

রিপোর্ট অনী অসিদা অমনা অমগা তায়োন্নবা য়াওরক্লবদি গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনগনি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি অসিগুম্বা ফীভম লাক্লবদি অহুমশুবা পার্টিগী ওপিনিয়ন লৌগনি।

সাংমানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্সটিট্যুট অনীমক মনীং তম্না থবক তৌবা বোদিশিংনি। পেন্দমিক মনুং অসিদা অতৈ ওর্গনাইজেসনশিং থবক তৌবদা খুদোং চারোইদবা লৈবদগী মখোয়বু খনখিবনি। মসিগী মমাঙদা মেঘালয়া গভর্ণমেন্টনা য়ুরেনিয়ম মচিৎ মখাকশিংগী টেঙ্ক অদুদগী লিক ওইরক্লিবদুবু থিজিনহন্নবা এক্সপর্ট এজেন্সী অমা ওক্টোবর হৌরকপদা শেমখ্রবনি। ঝরখণ্ড অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী হেক মথংদা মেঘালয়ানা য়ুরেনিয়ম দিপোজিট খ্বাইদগী য়াম্না লৈবদা অহুমশুবা ষ্টেটনি।

# অসাম-মিজোরাম বোর্দরদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌবা হৌরে

গুৱাহাটি, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): অসাম-মিজোরাম বোর্দরদা ইরাই নুমিৎতগী সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স (সী পি এম এফ) কী পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌবা হৌখ্রে। হৌখিবা নুমিৎ তরানিরোম অসিদা বোর্দর এরিয়াশিং অদুদা লেপ্তুনা উংখৎনবগী ফীভম লৈবদগী খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থুংলদুনা অসাম-মিজোরাম বোর্দর পরিংদা দিপ্লোই তৌরি। সী পি এম এফ দিপ্লোই তৌবদগী বোর্দরগী ইরাং লৈখাই তানবা য়ারগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না অসামগী হোম সেক্রেটরি গ্যানেন্দ্র দেব ত্রিপাথিনা গুৱাহাটিদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মিজোরামগী লাইফলাইন ওইরিব নেসনল হায়ৱে (এন ঐচ) ৩০৬তা থল্লিবা ব্লোকেদ ইরাই নুমিৎ ফাওবদা নুমিৎ ১০নি শুখ্রে। মিজোরামগী ওইনসু মহৌশাগী ফীভম লাক্ত্রিফাওবা হায়দুনা মখা তানা ষ্টেট ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌরি।

চয়োল অসিগী অঙনবা তাঙ্কক্তা অসামগী খা থংবা লাইলাপুরদগী ইনত্যাজ কৌবা মীওই অমা মিজোরামগী কষ্টদিদা শিখিবদগী উংখৎনবা হেনগৎলকখি। অসামগী ওফিসলশিংনদি মহাক বোর্দর ৱাংমগী লোগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংগী মখূৎতা শিখিবনি হায়খি।

অমরোমদা, মিজোরামগী হোম সেক্রেটরি লালবিয়াকসঙ্গিনদি আলি হায়রিবা মীওই অসি দ্রগকা কোন্ননা ফাবদগী মেদিকেল চেক-অপকীদমক হোস্পিটাল অমদা রিফর তৌখিবা মতুংদা হোস্পিটাল অদুদা শিরম্বনি হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, মিজোরাম গভর্ণমেন্টকী চেরোল অমনা হায় মদুদি সিলচরদা লৈবা মিজোরাম হাওসকী কম্পাউন্দদা লৈরিবা গাড়ীশিং য়াওনা অসাম গভর্ণমেন্টনা পন্দুনা লৈরিবা গাড়ী পুম্নমক সী পি এম এফকী পর্সনেলশিংবু ঙাক শেলহন্দুনা বোর্দর ফাওবা থিল্লকপা তারবদি মিজোরাম গভর্ণমেন্টনসু অসামগী পন্দুনা লৈরিবা গাড়ীশিং হায়রিবা মতম অদুদা বোর্দর ফাওবা সী আর পি এফপু ঙাক শেলহন্দুনা থিনগনি।

নেসনল হায়ৱে ৩০৬ পরিংগী লাইলাপুরদা চথরিবা ব্লোকেদ অদুনা মরম ওইদুনা মিজোরাম য়ৌগদবা পোৎ চৈ হোনবা গাড়ী ২৫০ হেন্না পন্দুনা লৈরকখি। মিজোরামনা অসামদগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং লৌথোকপগা লোয়ননা মিজোরাম য়ৌগদবা গাড়ীশিংদা সিক্যুরিটি পীদবা তারবদি খোঙফম হন্দোক্লোই হায়না ঈরাং হৌরিবা লোকল মীওইশিং অমসুং গাড়ী দ্রাইভরশিংনা অচেৎপা ফিরেপ লৌখিবদগী হায়ৱে অদুদা ব্লোকেদ শাংনা লৈরকখি।

# এস বি আইগী এ জি এম সী বি আইনা বুক তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) না বেঙ্ক অসিগী হান্নগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর (এ জি এম) গী মায়োক্তা মশাগী ইনকমগী ছোর্সশিংগা চান্নদনা লন-থুম পৈশিনবগী মরালদা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎলকপদগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে হায়না ইরাই নুমিৎতা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সি অসিনা মধ্য প্রদেশকী ভোপালদা লৈবা মহাক্কী য়ূম-কৈশিংদসু থিবা হুন্বা চথখ্রে হায়রি।

সী বি আইনা ফোঙদোকখিবদা মশাগী অখঙবা ছোর্সশিংদগী লাকপা ইনকমগা চানদনা লম-থুমশিং পৈশিল্লম্বগীদমক্তা ভোপালদা লৈবা এস বি আইগী হান্নগী এ জি এমগী মায়োক্তা এজেন্সি অসিনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

সী বি আইনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৭কী এপ্রিল ১দগী কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর ১২ ফাওবদা মতমদুগী এ জি এম এ কে জেননা মহাক্কী বেঙ্ক একাউন্টশিং অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগী একাউন্টশিংদা লুপা ক্রোর ২.৫১গী কেশ দিপোজিটশিং তৌখি।

চেক্কিংগী মতম লোইশিল্লকপদা বেঙ্ক একাউন্টশিং অদুগী বেলেন্স লুপা ক্রোর ৬.৯৮ ওইখি। শেনফমশিং অসিদা নত্তনা ইম্মুভেবল এসেট অহুমসু লৈরম্বা থেংনখি হায়না এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখি।

সী বি আইগী মতুংইন্না জেনবু ইনকমগী ছোর্সশিংগা চানদনা লুপা লাখ ৪৬৮.৪৫ পৈশিল্লম্বগী মরাল শীখি।

# নিটিশ কুমার গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্টর ১২গী লাইবক অহুমশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা লেপ্লগনি

পটনা, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): বিহারগী নিটিশ কুমার গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্টর ১২গী পোলিটিক্সকা মরী লৈননা তুংদা ওইরক্কদবা লাইবক থাংজ নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী অহুমশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা লেপ্লগনি।



ষ্টেট এসেমব্লিগী অহুমশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা সিট ৭৮দা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অহুমশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা ভোটরশিংনা মহাগাথবনধন (গ্রান্দ এলাইএন্স) কী ভেটরান লিদর কয়াগী পোলিটিকেলগী ওইবা লাইবক লেপ্লগনি। ভোটর ক্রোর ২৩৫না দিষ্ট্রিক্ট ১৫গী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৭৮দা ভোট থাদনগনি। মীখল অসিগীদমক পূন্না পোল্লিং বুথ ৩৩,৭৮২ শাদুনা থল্লি। তাঙ্কক অসিদা এসেমব্লি স্পিকর বিজয় কুমার চৌধুরিদা নত্তনা নিটিশ কুমার কেবিনেটকী মেম্বর ১২ য়াওনা আর জে দিগী লুচিংবা কয়াগী তুংগী লাইবক লেপ্লগনি।

অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা বিহার এসেমব্লিগী স্পিকর বিজয় কুমার চৌধরিদা নত্তনা ষ্টেট মিনিষ্টরশিং বিজেন্দ্র প্রসাদ য়াদব, নরেন্দ্র নরায়ন য়াদব, মহাশ্বরি হজারি, রামেশ রিশিদেব, ফিরোজ অহম্মদ, লক্ষমেশ্বর রোই, বিমা ভার্তিনচিংবসু মীরেপশিং ওইরি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী মতুংইন্না, কেন্দিদেট ১২০৪গী লাইবক তাঙ্কক অসিদা লেপকনি। মখোয়গী মনুংদা নুপানা ১০৯৪নি অমসুং নুপীনা ১১০নি। গাইঘাট কন্সটিট্যুএন্সিদা কেন্দিদেট ৩১না মীখল লম্বা তৌনদুনা তাঙ্কক অসিগী কেন্দিদেট মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা কন্সটিট্যুএন্সি ওইরি। কেন্দিদেট মশীং খ্বাইদগী য়ামদবা কন্সটিট্যুএন্সিশিংনা ধাকা, ত্রিভেনিগঞ্জ, জোকিহাট অমসুং বহাদরগঞ্জনি। সিটশিং অসিদা কেন্দিদেট ৯/৯না লম্বা তৌনরি।

তাঙ্কক অসিগী কন্সটিট্যুএন্সিশিং অসি কোসি অমসুং সিমানচাল লমদমশিংগীনি। তাঙ্কক অসিদা মরু ওইনা এন দি এ অমসুং গ্রান্দ এলাইএন্সকী মরক্তা লম্বা তৌনবা ওইরবসু হান্নগী এম পি পাপ্পু য়াদবগী পার্টি জন অধিকার পার্টি, লোক জনশক্তি পার্টি অমসুং এ আই এম আই এমসু কেন্দিদেটশিং থাদোক্লি।

# লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ত্রোলদা উংখৎনবা লেপত্রি, চাইনাগা লান থোক্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে : সী দি এস, রাৱাট

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী): ইষ্টর্ন লাদাখকী লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ত্রোলদা মখা তানা উংখৎনবা ফীভম লৈরি অমসুং চাইনাগা লান অমা শোক্লরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে হায়না ইন্দিয়াগী চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ (সী দি এস) জেনরেল বিপিন রাৱাটনা ইরাই নুমিৎত ক্লেম তৌখ্রে।



ইষ্টর্ন লাদাখকী লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ত্রোল (এল এ সী) দগী ত্রুপশিং হন্দোক্লবগী মতাংদা চুশুলদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা মিলিটরি থাক্কী ৱারী শানরিঙৈদা জেনরেল রাৱাটনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়ন আর্মিগী মায়কৈদগী মতিক চাবা পাউখুম পীখিবদগী চাইনিজ আর্মিনা হৌজিক মখোয়না লাদাখতা চথখিবা অরানবা থৌওংশিং অদুগী হান্না থাজরুদবা মহয় কয়া মায়োক্লরি হায়না রাৱাটনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, বোর্দরদা খূৎ থোক্লবা, লো কায়বা থবকশিং তৌবা, কায়হৌরম্বা য়াওদনা টেক্টিকেল মিলিটরি খোঙথাংশিং লৌখৎপনচিংবশিং অসিনা হেন্না চাউবা লান অমা থোকহল্লকপা য়াই। দিল্লিদা নেসনল দিফেন্স কোলেজনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা দাইমন্দ জুবিলি ৱেবিনর ২০২০দা মহাক্না ৱা ঙাঙখিবনি।

ইন্দিয়াগী ফিরেপতি অনী লোংবা লৈতে হায়না নৌহৌননা পল্লদুনা রাৱাটনা হায়খি মদুদি লৈবাক অসিনা লাইন ওফ একচ্যুএলদা অহোংবা লাকহনবগী ৱাফম অমত্তা য়ারোই।

ঙাকশেনগী লম্দা মতেং পাংনবগী মতাংদা পল্লদুনা রাৱাটনা হায়খি মদুদি ইন্দিয়ানা ষ্ট্রেটেজিক্কী মরু ওইবা লৈবাকশিংগা পার্টনরশিং ওইমিন্নবা অমসুং অমগা অমগা থাজনবগী ফীভম শাগৎপদা দিফেন্স দিপ্লোমেসিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌই হায়বসি খঙই।

লাক্লিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রি অসি শিংথানীংঙাই ওইনা চাওখৎলক্তুনা লৈবাক অসিগী দিফেন্স প্রিপ্যরদনেসতা মতেং ওইরগনি। ইন্দষ্ট্রি অসিনা লৈবাক অসিনা শাজবা অফবা মখলগী খূৎলায়শিং ফংহল্লগনি হায়না রাৱাটনা ফোঙদোকখি।